

# সনালৈবাক স্পোর্টস

IMPHAL, THURSDAY, JUNE 07, 2018 **PAGE 7**


*ওগষ্ট ২২ দা টুর্কমেনিস্থানগী ক্লব অল্টিন এসিয়রগা শান্নগদবা এএফসি কপ ইন্টরজোন সেমি ফাইনেলগী মাঙওইননা বেঙ্গলুরু এফসিদা নৌনা য়াওখ্রবা রিনো এন্টো*

*ইংলেন্দদা চৎক্কদবা টুরগীদমক ওষ্ট্রেলিয়া ক্রিকেট টিম অসিগী কোচিং ষ্টাফ ওইনা নৌনা লৌশিনখ্রবা লৈবাক অসিগী ক্রিকেট টিমগী কেপ্টেন ওইরম্লবা রিক্কি পোন্টিং*



## ৱুমেন্স এসিয়া টি–২০ ক্রিকেট টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা ৯শুবা মেটচতা বাংলাদেশনা ইন্দিয়াবু ৱিকেট ৭ তা মায়থিবা পীখ্রে



বাংলাদেশকী শান্নরোইশিংনা ইন্দিয়াগী ৱিকেট লৌবা হরাওবা ফোঙদোকপা

*কোলা লুম্পু, জুন ০৬ঃ*

মালেসিয়ানা য়ুম্বু ওইরগা শান্নরিবা ৱুমেন্স এসিয়া কপ টি–২০ ক্রিকেট টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা ৯শুবা মেটচতা বাংলাদেশনা ইন্দিয়াবু ৱিকেট ৭ তা মায়থিবা পীখ্রে।

এসিয়াগী ক্রিকেট শান্নবা লৈবাক ৬ না শরুক য়াদুনা পাঙথোক্লিবা ৱুমেন্স এসিয়া কপ টি–২০ টুর্নামেন্ট অসিদা ইন্দিয়ানা মেটচ ৩ শান্নখিবদা মেটচ ২ মায় পাকখিবা অমদি মেটচ অমা মায়থিরগা পুন্না পোইন্ট ৪ ফংলগা রন রেটতা হেন্দুনা অতোপ্পা টিম ৩ দগী মাঙজিল থারি।

ইন্দিয়া অমসুং বাংলাদেশনা শান্নখিবা ৯শুবা মেটচ অদুগী টোস ইন্দিয়ানা ঙমদুনা হান্না বেট্টিং তৌখি। মদুদা ইন্দিয়াগী নুপীগী ক্রিকেট টিম্না ওভর ২০ শান্নবা লোইশিনখিবদা ৱিকেট ৭ তুরগা রন ১৪১ লৌবা ঙমখি।

ইন্দিয়াগী হৌরকপা ইন্নিংস ফজখিদে। শুপ্নগী রন ১১ শুবদা ওপনর স্মৃতি মন্ধনা রন ২ খক লৌরগা আওট ওইখি। মহাক্কী মতুংদা থোরকখিবা পুজা ভাষ্ট্রাকরগা অতোপ্পা ওপনর মিথালি রাজগা পার্টনর ওইদুনা শান্নরকপদা রন ২৬ য়ৌরকপদা ওপনর মিথালি রাজ রন ১৫ লৌরম্লগা রন আওট তাখি।

পুজা ভাষ্ট্রকারনা ৪শুবা বেটসমেন ওইনা থোরকখিবা ইন্দিয়াগী কেপ্টেন হর্মনপ্রিত কোরগা ইন্দিয়াগী স্কোর অদু রন ৫০ লাপ্থোকহনবা ঙমখি। পুজা বোল ২০ মায়োক্লবদা ফোর ৪ য়ৈরগা রন ২০ লৌরম্লগা স্কোর বোর্দনা রন ৭০ শুরকপদা রন আওট ওইদুনা ইন্দিয়াগী অহুমশুবা ৱিকেট তুখি।

৫শুবা বেটসমেন দিপ্তি শর্ম্ম অমসুং কেপ্টেন হর্মনপ্রিত কোরনা ইন্দিয়াগী স্কোর অদু রন ১০ লাপ্থোকহনবা ঙমখি। কেপ্টেন হর্মনপ্রিত কোর বোল ৩৭ মায়োক্লবদা ফোর ৬ য়ৈরগা রন ৪২ লৌদুনা লৈরিঙৈদা বাংলাদেশকী বোলর রুমানা অহমেদনা আওট তাহনখি।

৫শুবা বেটসমেন দিপ্তি শর্ম্মসু য়াম্না ফজবা মশান্না উত্তুনা বোল ২৮ মায়োক্লবদা ফোর ৫ য়ৈরগা রন ৩২ লৌরম্লগা রুমা অহমেদনা আওট তাহনখি।

৬শুবা বেটসমেন মোনা মেস্রামনা বোল১২ মায়োক্লবদা ফোর ২ য়ৈরগা আওট ওইদনা রন ১৪ লৌরম্বা অদু নত্তনা মখা তাবা বেটসমেনশিংদি রন ৫ য়ৌবা অমত্তা য়াওখিদে।

বাংলাদেশনা মায় পাক্নবগী রন ১৪২ লৌবগী টার্গেট লৈখিবা অদু ২০শুবা ওভরগী ৪শুবা বোলদা ৱিকেট ৩ খক তুরগা লৌদুনা মেটচ অদু বাংলাদেশনা ইন্দিয়াবু ৱিকেট ৭ তা মায়থিবা পীখি।

বাংলাদেশকী ইন্নিংস অদু হৌরকপদা ফজরকখি। ওপনর সামিনা সুল্টানা অমসুং আয়াসা রহমননা টিম অদুগী স্কোর বোর্দ অদু ২৯ য়ৌহল্লকখি। ওপনর আয়াসা রহমন বোল ১০ মায়োক্লবদা সিক্স অমা অমসুং ফোর অমা য়ৈরগা রন ১২ লৌরম্লগা আওট ওইখি।

অহুমশুবা বেটসমেন ফারগানা হোক অমসুং ওপনর সামিনা সুল্টানানা বাংলাদেশকী স্কোর অদু রন ৪৫ য়ৌহল্লকখি। ওপনর সামিমা বোল ২৩ মায়োক্লবদা ফোর ৭ য়ৈরগা রন ৩৩ লৌরম্লগা ইন্দিয়াগী বোলর পুজা ভাষ্ট্রাকরনা আওট তাহনখি।

নৌনা চঙলকখিবী নিগর সুল্টান শুপ্নগী রন অমখক লৌরমখি। ৫শুবা বেটসমেন রুমানা অমসুং ৩শুবা বেটসমেন ফারগানা হোকনা টার্গেট লৈখিবা রন অদু ২০শুবা ওভরগী ৪শুবা বোলদা লৌদুনা ইন্দিয়াবু ৱিকেট ৭ তা মায়থিবা পীখি।

ফারগানা হোকনা বোল ৪৬ মায়োক্লবদা সিক্স অমা অমসুং ফোর ৫ য়ৈরগা আওট ওইদনা রন ৫২ লৌরমখি। অদুগা অতোপ্পা বেটসমেন রুমানা অহমেদসু বোল ৩৪ মায়োক্লবদা ফোর ৬ য়ৈরগা আওট ওইদনা রন ৪২ লৌরম্বনি। ইন্দিয়ানা হয়েং শ্রী লঙ্কাগা লম্বা তৌনগনি।

## ইন্দিয়াগী প্রোফেসনেল বোক্সর বিজেন্দর সিংহনা মহাক্কী অহুমশুবা টাইটল বাওট অদু জুলাই ১৩ দা বৃটেনগী বোক্সর লি মারখামগা থিন্নরগনি

*ন্যু দিল্লি, জুন ০৬ঃ*



ইন্দিয়াগী প্রোফেসনেল বোক্সর বিজেন্দর সিংহনা মহাক্কী অহুমশুবা টাইটল বাওট অদু মথং থাগী ১৩ দা কম্মনৱেল্থ সুপর মিডলৱেঠ বেল্টকীদমক বৃটেনগী বোক্সর লি মারখামগা লন্দনদা থিন্নরগনি।

পনবা য়াবদি ইন্দিয়াগী নুপাগী বোক্সর বিজেন্দর সিংহ কুমজা ২০০৮ গী বৈজিং ওলিম্পিক গেমসকী মিডলৱেঠ কেটেগোরিদা শরুক য়াদুনা ব্রোঞ্জ মেডল ফংবা ঙমখিবা বোক্সরনি।

ইন্দিয়াগী বোক্সর বিজেন্দর সিংহনা প্রোফেসনেল বাওট ১০ থিন্নখিবদা বাওট ১০ মক মায় পাকপা ঙমদুনা মহাক্কী কেরিয়রদা য়াম্না ফজবা রেকোর্দ অমা থম্বা ঙল্লিবা বোক্সরনি।

প্রোফেসনেল বাওট ১০ থিন্নবা অদুদা মহাক্না মায়োক্লবা লম্বা ৭ না নোক আওট তৌহনবা ঙমখি। অদুগা বাওট ৩ অমনা জজগী দিসিজনদগী মায় পাকপা ঙমখিবনি।

অমরোমদা বিজেন্দরগা কম্মনৱেল্থ সুপর মিডলৱেঠ বেল্টকীদমক থিন্নগদৌরিবা বৃটেনগী বোক্সর লি মারখামনা বাওট ২২ থিন্নখিবদা ১৭ মায় পাক্লগা ৫ অমনা মায়োক্লবা বোক্সরশিংগী মখূত্তা মায়থিবা নংখি।

বিজেন্দরনা মমাঙ চহীগী দিসেম্বর ২৩ দা জয়পুরদা লৈবা সৱাই মানসিং ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা থিন্নখিবা দব্লিয়ুবি এসিয়া পেসিফিক এন্দ দব্লিয়ুবিও ওরিয়েন্টেল সুপর মিডল ৱেঠকী বাওটতা ঘানাগী বোক্সর অর্নেস অমুজুবু মায়থিবা পীরম্লগা টাইটল দিফেন্দ তৌবা ঙমখিবনি।

জুলাই ১৩ দা থিন্নগদৌরিবা কম্মনৱেল্থ সুপর মিডলৱেঠ বেল্ট অসিগীদমক হৌজিক–হৌজিক ইন্দিয়াগী বোক্সর বিজেন্দর সিংহ ইংলেন্দগী সিটি মেঞ্চেষ্টরদা ট্রেনিং চৎখরিবনি।

ইন্দিয়াগী প্রোফেসনেল বোক্সর বিজেন্দর সিংহ জুলাই ১৩ দা বৃটেনগী বোক্সর লি মারখামগা থিন্নগদৌরিবা বাওট অসিনা থা ৬ কী মতুংদা মহাক্কী অহানবা বাওট ওইরি।

অমরোমদা বিজেন্দরগী লম্বা ওইগদৌরিবা বৃটেনগী বোক্সর লি মারখাম মমাঙ চহীগী জুন থাদা অতোপ্পা বৃটেনগী বোক্সর জো মুলেন্দরগী মখূত্তা ইংলিস মিডলৱেঠ টাইটলগীদমক থিন্নখিবদা মায়থিহৌরবা মতুং জুলাই ১৩ গী বাওট অসিনা মহাক্কী অহানবা বাওটনি।

কম্মনৱেল্থ সুপর মিডলৱেঠ টাইটল অসিগী চেম্পিয়ন বৃটেনগী বোক্সর রোক্কি ফিল্ডিংনা কেটেগোরি অসিগী য়ুরোপিয়ান বেল্ট লম্বাগীদমক চৎখিবা মরম্না হাংদুনা লৈরিবা বেল্ট অসি মেনশিন্ননবা ইন্দিয়াগী বিজেন্দর সিংহ অমসুং বৃটেনগী লি মারখামনা জুলাই ১৩ দা লম্বা তৌনগদৌরিবনি।

ইন্দিয়াগী বোক্সর বিজেন্দর সিংহ কুমজা ২০১৫ দা প্রোফেসনেল বোক্সিংদা চঙখিবদগী হৌজিক ফাওবা বৃটেনগী কোচ লি বিয়ার্দকী মখাদা ট্রেনিং তৌদুনা লাকখিবনি।

## ইন্দিয়াগী বিশ্বানাথন আনন্দনা ফ্রান্সকী মেক্সিম লাগ্রেভ মায়থিবা পীদুনা অল্টিবোক্স নোরৱে চেছ টুর্নামেন্ট অসিদা শান্নরোই ৩ গা লোয়ননা জোইন্ট লিদর ওইরি

*ষ্টাভেঙ্গর, জুন ০৬ঃ*





নোরৱেদা চৎখরিবা অল্টিবোক্স নোরৱে চেছ টুর্নামেন্টকী ঙরাং অথেংবদা লম্বা তৌনখিবা ৭শুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা ইন্দিয়াগী গ্রান্দ মাষ্টর বিশ্বানাথন আনন্দনা ফ্রান্সকী শান্নরোই মেক্সিম লাগ্রেভপু মায়থিবা পীদুনা টুর্নামেন্ট অসিদা আনন্দ অতোপ্পা শান্নরোই ৩ গা লোয়ননা জোইন্ট লিদর ওইদুনা লৈরি।

নীংশিংবা য়াবদি অল্টিবোক্স নোরৱে চেছ টুর্নামেন্ট অসিদা ইন্দিয়াগী বিশ্বানাথন আনন্দ মমাঙদা রাউন্দ ৬ শান্নখিবদা মায় পাকপা ঙমদনা লাকখ্রবা মতুং ঙসি মায় পাকখিবদগী পুন্না পোইন্ট ৩.৫ ফংদুনা জোইন্ট লিদর ওইবা ঙমখিবনি।

ইন্দিয়াগী আনন্দ অমসুং ফ্রাঞ্চকী মেক্সিম লাগ্রেভনা শান্নখিবা ৭শুবা রাউন্দগী মেটচ অদু হৌরকপদা অমনা অমবু হেঞ্জিন্নবা ঙম্নদনা লাকখি।

শান্নরোই অনীনা শান্নখিবা রুই লোপেজ গেম অদুগী ২৬শুবা মুভতা ইন্দিয়াগী আনন্দনা সাইকোলোজিকেল এজ ফংনবা মহাক্কী অমুবা মচুগী রুক অদু লাগ্রেভকী নাইটকা শিন্নখি। মুভ অদুমক্না শান্নরোই অনী অদু দ্রো চৎলম্বা য়াবা গেম অদু মায়োন থৈখিদুনা আনন্দনা মেটচ অদু থোইবা য়াবগী খুদোংচাবা ফংখিবনি।

মখা তানা শান্নরকপদা ইন্দিয়াগী আনন্দনা লাগ্রেভকী সেন্ট্রেল পাউন কেপচর তৌবগা লোয়ননা ক্বিইন একচেঞ্জ তৌনদুনা লাগ্রেভতা অকনবা প্রেসর পীশিনখি।

উপাই লৈত্রবা লাগ্রেভনা মহাক্কী রুকনা আনন্দগী মপাঙ্গল কল্লবা বিসোপতু লৌথোক্লবা হোৎনখ্রবসু মমাঙদা শোয়খিবা অদুনা মরম ওইরগা ৪০শুবা মুভদা মহাক মায়থিরে হায়না য়াজখি। ইন্দিয়াগী আনন্দনা টুর্নামেন্ট অসিগী ৮শুবা রাউন্দদা য়ুএসএগী ফাবিয়ানো করুনাগা লম্বা তৌনরগনি।

## ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিং থেংনবা অরুবা অমনিঃ ন্যু জিলেন্দ কোচ

*মুম্বাই, জুন ০৬ঃ*



হয়েং ইন্টরকোন্টিনেন্টেল কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ইন্দিয়াগা শান্নগদবা মেটচ অসি য়াম্না অরুবা অমা ওইগদৌরি হায়না ন্যু জিলেন্দগী ফুটবোল টিমগী কোচ ফ্রিটজ স্কিমিদনা ফোঙদোকখ্রে।

ইন্দিয়ানা য়ুম্বু ওইরগা চৎখরিবা হিরো ইন্টরকোন্টিনেন্টেল কপ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিদা ইন্দিয়াগী টিম মেটচ ২ শান্নবদা অনীমক মায় পাক্তুনা পুন্না পোইন্ট ৬ ফংদুনা খ্বাইদগী মকোক্তা লৈরিবনি।

অমরোমদা ন্যু জিলেন্দগী টিম মেটচ ২ শান্নবদা মেটচ অমা মায়থিরবা মতুং মেটচ অমা মায় পাক্তুনা পোইন্ট ৩ ফংলগা অনীশুবা পোজিসনদা লৈবা ঙল্লি।

মমাঙদা ইন্দিয়ানা চাইনিজ তাইপৈগা শান্নখিবদা ইন্দিয়ানা পাঞ্জল ৫–০ দা য়াম্না হেনবা মওংদা মায়থিবা পীখি। অদুগা ন্যু জিলেন্দগা চাইনিজ তাইপৈগা শান্নখিবা মেটচতনা ন্যু জিলেন্দনা পেনাল্টিদা পাঞ্জল অমা চন্দুনা ১–০ দা মায় পাকখিবনি।

মমাঙগী রেকোর্দ অসি য়েংনরুবদা হয়েং ইন্দিয়ানা ন্যু জিলেন্দগা শান্নগদৌরিবা মেটচ অসি ইন্দিয়ানা মায় পাকপগী চাংৱাংনা লৈরি।

ন্যু জিলেন্দগী কোচ ফ্রিটজনা হায়খিবদা ইন্দিয়াগা মুম্বাইদা লৈবা মুম্বাই ফুটবোল এরেনাদা হয়েং শান্নগদৌরিবা গ্রুপ ষ্টেজগী মেটচ অসিদা মহাক্কী শান্নরোইশিংনা দিফেন্সিপকী মায়কৈদা অহেনবা মীৎয়েং থমগনি। অদুগা মতাং চাবদা এটেক তৌদুনা পাঞ্জল চন্নবা হোৎনগনি হায়নসু কোচ অসিনা মখা তাখি। হয়েংগী মেটচ নুমিদাং পুং ৮ দগী শান্নবা হৌগনি।

## রোমানিয়াগী সাইমোনা হালেপ অমসুং স্পেনগী গার্বিন মুগুরুজা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচশিং মায় পাক্তুনা ফ্রেঞ্চ ওপনগী নুপীগী সিঙ্গলস সেমি ফাইনেলদা থেংনরগনি



ফ্রেঞ্চ ওপন টেন্নিসকী নুপীগী সিঙ্গলসকী সেমি ফাইনেলদা থেংনগদৌরিবী রোমানিয়াগী হালেপ (ওই) অমসুং স্পেনগী মুগুরুজা

*পেরিস, জুন ০৬ঃ*

ফ্রান্সকী সিটি পেরিসতা চৎখরিবা ফ্রেঞ্চ ওপন গ্রান্দ স্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচশিং মায় পাক্তুনা রোমানিয়াগী সাইমোনা হালেপ অমসুং স্পেনগী গার্বিন মুগুরুজা নুপীগী সিঙ্গলসকী সেমি ফাইনেলদা লম্বা তৌনরগনি।

ঙসি শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলসকী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা অহানবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিবী রোমানিয়াগী সাইমোনা হালেপনা ১২শুবা সিদেদ জর্মনিগী এঞ্জেলিক কর্বরবু সেট ২–১ দা মায়থিবা পীরম্বনি।

অহানবা সেট জর্মনিগী এঞ্জেলিক কর্বরনা রোমানিয়াগী সাইমোনা হালেপপু টাই ব্রেক্তা ৭–৬(৭–২) দা থোইদুনা সেট অমা মাঙজিল থাখি।

সেট অমা শোত্থরবা রোমানিয়াগী সাইমোনা হালেপ্না অনীশুবা অমসুং অহুমশুবা সেট অদু য়াম্না ফজরক্তুনা ৬–৩, ৬–২ দা থোইদুনা ফ্রেঞ্চ ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী সিঙ্গলস কাওলুপ্তা সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

ফ্রেঞ্চ ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা নুপীগী সিঙ্গলসকী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা ৩শুবা সিদেদ শান্নরোই স্পেনগী গার্বিন মুগুরুজনা ২৮শুবা সিদেদ শান্নরোই রুশিয়াগী মারিয়া সরাপোভাবু ষ্ট্রেট সেট অনীদা মায়থিবা পীরম্বনি।

অহানবা সেট মুগুরুজনা সরাপোভাগী সার্ভিস গেম অনী ব্রেক তৌদুনা ৬–২ দা থোইদুনা সেট অমা মাঙজিল থাখি। অনীশুবা সেট অদুদসু মুগুরুজাগী মায়কৈদগী অহেনবা মশান্না উৎতুনা শান্নখিবদগী সরাপোভাগী সার্ভিস গেম অনী ব্রেক তৌদুনা ৬–১ দা থোইদুনা সেমি ফাইনেলদা রোমানিয়াগী সাইমোনা হালেপকা লম্বা তৌনগদৌরিবনি।

ফ্রেঞ্চ ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টকী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা ইটালিগী মার্কো সেচিনাটোনা ২০শুবা সিদেদ শান্নরোই সর্ভিয়াগী নোবাক জোকোভিসপু অকনবা লম্বা অমা মায়োক্নরবা মতুং ৬–৩, ৭–৬(৭–৪), ১–৬, ৭–৬(১৩–১১) দা মায়থিবা পীদুনা সেমি ফাইনেলদা ২শুবা সিদেদ শান্নরোই জর্মনিগী আলেকজেন্দর জ্বেরেভপু ষ্ট্রেট সেটতা মায়থিবা পীরম্বা ৭শুবা সিদেদ শান্নরোই ওষ্ট্রিয়াগী দোমিনিক থিয়েমগা লম্বা তৌনরগনি।

ফ্রেঞ্চ ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী দবলসকী সেমি ফাইনেল মেটচ অমদা ৮শুবা সিদেদ ক্রোএসিয়াগী নিকোলা মেকটিক অমসুং ওষ্ট্রিয়াগী আলেকজেন্দর পেয়ানা ৬শুবা সিদেদ পেয়র ফ্রান্সকী পিএরি হুগেস হবার্ট অমসুং নিকোলাস মাহুটকা লম্বা তৌনরগনি।

ক্রোএসিয়াগী মেকটিক অমসুং ওষ্ট্রিয়াগী পেয়ানা ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা ১৩শুবা সিদেদ পেয়র ইন্দিয়াগী রোহন বোপানা অমসুং ফ্রান্সকী ইদৱার্দ রোজর ভেসেলিনবু ৭–৬(৭–৪), ৬–২ দা মায়থিবা পীরম্বনি।

অদুগা ফ্রান্সকী পেয়র হবার্ট অমসুং মাহুটনা ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা আর্জেন্টিনাগী মেক্সিমো গোঞ্জালেজ অমসুং চিলিগী নিকোলাস জেরীবু ৬–৪, ৭–৬(১০–৮) দা থোইরম্বনি।

ফ্রেঞ্চ ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপীগী দবলসকী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা ৬শুবা সিদেদ পেয়র জেক রিপব্লিক্কী বার্বোরা ষ্ট্রাইকোভা অমসুং কেটরিনা সিনিয়াকোভানা ৩শুবা সিদেদ পেয়র স্লোভেনিয়াগী এন্দ্রিয়া ক্লেপাক অমসুং স্পেনগী মার্টিনেজ সঞ্চেজবু ষ্ট্রেট সেট অনীদা ৬–৩, ৬–৩ দা মায়থিবা পীদুনা সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

## জেক রিপব্লিক্না নাইজেরিয়াবু পাঞ্জল ১–০ দা মায়থিবা পীবা ঙমখ্রে রোমানিয়া অমসুং লুজেমবর্গ মখোয়–মখোয়গী মেচটশিং মায় পাকখ্রে

*প্রাগ, জুন ০৬ঃ*

রুশিয়ানা য়ুম্বু ওইরগা পাঙথোক্কদৌরিবা ফিফা ৱার্ল্ডকপ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী শেম শাবা ওইনা ঙসি শান্নখিবা ফ্রেন্দলি মেটচ অমদা জেক রিপব্লিক্না নাইজেরিয়াবু পাঞ্জল ১–০ দা মায়থিবা পীখ্রে। অতোপ্পা মেটচশিংদা রোমানিয়া অমসুং লুজেমবর্গ মখোয়–মখোয়গী মেটচশিং মায় পাকখ্রে।

জেক রিপব্লিক অমসুং নাইজেরিয়ানা শান্নখিবা মেটচ অদুগী অহানবা হাল্ফ হৌরকপদা অকনবা এটেক তৌনদুনা শান্নরকখ্রবসু মিনট ২০ হৌজিল্লক্লবা ফাওবদা পাঞ্জল অমত্তা লৈনখিদে।

শান্নবগী ২৫শুবা মিনটতা জেক রিপব্লিক্কী শান্নরোইশিংনা চৎথরকখিবা এটেক অমদা টোমাস কালাসনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা নাইজেরিয়াবু ১–০ দা মাঙজিল থারবা মতুং অহানবা হাল্ফ অদু লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপদা টিম অনীগী মায়কৈদগী অহেনবা পাঞ্জল অমত্তা চনশিন্নবা ঙম্মখিদবগী মেটচ অদু জেক রিপব্লিক্না নাইজেরিয়াবু পাঞ্জল ১–০ দা মায়থিবা পীখি।

অতোপ্পা ইন্টরনেসনেল ফ্রেন্দলি মেটচ অমদা রোমানিয়ানা ফিনলেন্দবু পাঞ্জল ২–০ দা মায়থিবা পীখি। মেটচকী অহানবা পাঞ্জল অদু শান্নবগী ৩৭শুবা মিনটতা রোমানিয়াগী শান্নরোই কৃষ্টিয়ান মানিয়ানা পাঞ্জল অমা চন্দুনা মাঙজিল থারবা মতুং হাল্ফ অদু লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপা মেটচকী ৬৭শুবা মিনটতা রোমানিয়াগী অতোপ্পা শান্নরোই সিপ্রিয়াননা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা ফিনলেন্দবু ২–০ দা মায়থিবা পীখি।

অতোপ্পা মেটচ অমদনা লুজেমবর্গনা জিওর্জিয়াবু পাঞ্জল ১–০ দা মায়থিবা পীখি। লুজেমবর্গকী মায় পাকপগী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদু শান্নবগী ৬৯শুবা মিনটতা টিম অদুগী শান্নরোই ঔরেলিয়েন জোকিমনা চনখিবনি।